# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী, নোনে অমসুং থৌবাল জিলাগী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

২) ই.সি.আইগী মীহুৎ কাংবু অমনা বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙরাং চত্তুনা মফম অদুদা চথরিবা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজনগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে।

অমসুং

৩) য়ুহার হাবদগী মীশি মীনা অমদি অমাং অতা থোক্লবা ভেনিজ্য়েলাদা মতেং পাংনবা ভারতনা ওপরেসন অমিষ্টাদ হৌদোকখ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লকবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লেপ্পা লৈতনা চথরিবা থিবা হুন্বগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী নোর্থ চাঙৌবুং অমসুং মাওহিং ভিলেজ অনিগী মরক্তা লৈবা চীংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- মফম অদুদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফোরর্তিসভেন অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. করবাইন অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অনি, পিষ্টোল মরি, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ২৯, তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু ১২৯, পোম্পি অনি, বোম অহুম, গ্রেনেদ অনি ফংখি।

নোনে জিলাগী জোজাংতেক এরিয়াদসু থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা কন্ত্রিমেদ সিঙ্গল বেরেল অনি অমদি নোংমৈ মরু ৪৯ ফংলে।

থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা তেন্থা শামুচীং চীংখোঙদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা করবাইন অমা অমসুং বোল্ট এক্সন রাইফল মঙা ফংলে।

মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়বা অমদি আইন কায়না থবক তৌবশিংগী মথক্তসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা লেপ্পা লৈতনা ওপরেসন চথরি। ইম্ফাল হষ্ট জিলাগী খোমিদোক উমং লৈকাইদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ফারে। অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শঙাইপ্রৌ এফ.সি.আই লম্বীদগী য়ু.এন.এল.এফ (পি)গী কাদরনি হায়বা মীওই অমসু হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ফারে। মীওই অসি আইন্না য়াদবা খুৎলায় লল্লোনবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

মরক অসিদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ড্রগ লল্লোনবনি হায়বা মীওই অনি লিলোং উশোইপোকপী থরাউরোক অমসুং শঙ্গাইয়ুম্ফম নুঙফৌ মথক লৈকাইদগী ঙরাং ফারে।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর পি. পাৱননা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙরাং চত্তুনা জিলা অদুদা চথরিবা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর)গী থবকশিং য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। দিপ্যুতি কম্মিসনারনা জিলা অদুদা পায়খৎলিবা এস.আই.আরগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কম্মিসনগী কাংবুদা পাউদমখি। এস.আই.আরগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা পায়খৎলন্বা উবদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা কম্মিসনগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর পাৱন্না এস.আই.আরগী থবক পায়খৎলিঙৈ মনুংদা নিংথিনা দোক্কুমেন্টেসন তৌহৌনবা ৱাফম ফোংদোকখি। কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবু অদুনা মোইরাং অমসুং থাঙ্গ বিধান সভা কেন্দ্রশিংগী ই.আর.ওশিং য়াওনা মোইরাং বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা চীংঙু থাংজিং

গেষ্ট হাউস রিলিফ কেম্প অমদি থাঙ্গ অমসুং করাংগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদসু চত্তুনা য়েংশিনখি।

পোলিও (এল)ঃ মণিপুরদা পোকপদগী চহি ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতগী পোলিও হিদাক পীথকবা শেম শাবা লোইরে। কেম্পেন অসিগী মনুংদা রাজ্য অসিগী ওইনা পুন্না অঙাং লাখ অনি লিশিং ৮৯,৭৭৪ হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি। নুমিৎ অসিদা হিদাক পীথকহৌদবা অঙাংশিং মথংগী নুমিৎ নিনিদা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চংদুনা হিদাক পীথক্কনি।

ফেমিলি ৱেলফ্যারগী দাইরেক্তর ডাঃ এন. বিনো সিংহনা হায়- কুমশি চহিগী ওইনা অখন্নবা থৌরাং ওইনা রিলিফ কেম্পশিংদা পোলিও বুথ হাংদোক্তুনা অঙাংশিং পোলিও পীথক্কনি।

টু দ্রোপস ওফ লাইফ ফোর এভ্রি চাইল্ড হায়বা হিরমদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিগীদমক পুন্না হিদাক পীথকফম পোলিও বুথ  লিশিং ২,৮৯৮ হাংদোক্কনি। মসিদা ভেক্সিনেতর লিশিং ১১,৫৯২ অমসুং সুপরভাইজর ৫৮০ শিজিন্নগনি। মমা মপা ওইবশিংনা নুমিৎ অসিদা মখোয় মখোয়গী অঙাংশিং পুথোরক্তুনা হিদাক পীথকপীনবা মহাকা আপীল তৌরি।

মৈ (এল)ঃ  এলেভেন কে.ভি. মন্ত্রিপুখ্রি ফিদর ঙসি অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। মসি জঙ্গল কত্তিং অমসুং লাইন শেমদোক শেমজিন তৌগদবা লৈবদগীনি হায়রি। মরম অদুনা হায়রিবা মতম অসিদা মন্ত্রিপুখ্রি, আই.জি.এ.আর কেম্প, চুমব্রে থোং, খাবম অমসুং লুৱাংশংবম এরিয়াগী কঞ্জুমরশিংদা মৈ পীবা ঙমলোই হায়না মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদকী চেরোল অমনা হায়রি।

এৱারনেস (এল)ঃ      মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা শিন্দুনা মণিপুর সেন্ত্রেল জেলদা লৈরিবা বন্দিশিংদা আইন অমদি বন্দিশিংগী পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিংগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি

মণিপুর সেন্ত্রেল জেলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ, জষ্টিস এ. বিমোল সিংহ, হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ, জষ্টিস এ. গুনেশ্বর শর্ম্ম শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা বন্দিশিংগী ফংফম থোকপা হক অমদি মখোয়গী য়াইফ থৌরাংশিংগী মতাংদা অখণ্ড অহেশিংনা ৱা ঙাংগনি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৫ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

রিলিফ ঃ  য়ুহার হাবদগী মীশি মীনা অমদি অমাং অতা থোক্লবা ভেনিজ্যেলাদা মতেং পাংনবা ভারতনা ওপরেসন অমিষ্টাদ হৌদোকখ্রে। মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- ওপরেসন অসিগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী সি-সাভেনতিন গ্লোব মাষ্টর এয়ারক্রাফট অনি ঙরাং অয়ুক ভেনিজ্যেলাদা থুংখ্রে। হায়রিবা এয়ারক্রাফট অনিসিদা তোঙান তোঙানবা রিলিফকী পোৎলমশিং অমদি মেম্বর ৪১ না শাবা রেস্ক্যু টিম য়াওরি। রিলিফকী পোৎলমশিংগী মনুংদা টন ৩০ গী তোঙান তোঙানবা তেংবাংগী পোৎলমশিং, হিদাক টন ৬, ভিসম ক্যুব প্রোতেবল হোস্পিতাল অনি, মেদিকেল টাক্স ফোর্স, ভারত লান্মীগী ফিল্ড হোস্পিতাল য়ুনিতশিং য়াওরি।  মপান থৌরম মন্ত্রালয়না মখা তানা হায়- অৱাবা মায়োকরিবা ভেনিজ্যেলাগী মীয়াম অমদি মখোয়গী সরকারগীদমক ভারতনা লেপ্পি। য়ুহার হাবগী থৌদোক্তা লৈখ্রিদবশিংগী মফমদসু অৱাবা ফোংদোক্লি।

ফিফা ঃ ফিফা ৱার্ল্ড কপতা হৌখিব অহিং নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ফ্রান্সনা নোরৱেবু পাঞ্জল ৪-১ দা অদুগা সিনেগলনা ইরাকপু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে। হৌজিক কাবো ভরদেগা সাউদি অরাবিয়াগা অমসুং স্পেনগা উরুগুৱেগা শান্নরি। হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা স্পেন্না উরুগুৱেবু পাঞ্জল ১-০ দা মাংজিল থারি।

ঙসি অয়ুক পুং ৮ মখায়দা নিউজিলেন্দগা বেলজিয়মগা অমসুং ইজিপকা ইরানগা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাজ্য অসিদা ঙরাং ইন্তরনেসনেল ডে এগেনষ্ট ড্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখিবা, থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, নাগা এম.এল.এশিংনা গভর্নর উন্নদুনা কুকি মিলিটেন্টশিং লাকশিন্নবা তকখিবগী পাউ ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক্তা- থোক্লিবা ইরাংগী চৈরক্তা মীয়ামদা ড্রগ শিজিন্নহনবগী লানসু য়াওশিল্লক্লি হায়না মখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙরাং ইন্তরনেসনেল ডে এগেনষ্ট ড্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেসতনা- চুরাচান্দপুরনা ড্রগকী মকোন ওইরগা অতৈদা শন্দোক্লে, নহারোলগী থৌদাংদনা ক্বাক্তাদা নহা চাদা ৭০ রোম ড্রগ শিজিন্নদুনা চাউনা চৈথেং ফংলে, ড্রগ শোৎলগা ফাওবা চাহনদুনা ড্রগকী লান চথুরক্লি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পোকফমদা- ষ্টেট কেবিনেটনা পঞ্চায়ট মীখল নৌনা মতম লেপনবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মীচম হাৎপদা চেন্নবশিং ফাবীয়ু হায়না নাগা এম.এল.এ মঙানা গভর্নরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। নাগা মীচমশিং ফাজিনদুনা থমখিবগী মায়োক্তা লৌখৎপা থবকশিংগী রিপোর্ট পীরকবা নেসনেল কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবনা খঙহল্লক্লে হায়বা পাউ অমসুং পাউচে অসিদা বোক্স আইতেম ওইনা ফোংলি।

৬ সুবা জেনেরেল পঞ্চায়ট ইলেক্সন য়েথোকবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলগী এনকর কলমদা ফোংলি।

য়ু.এন.সি অমসুং নাগা এম.এল.এশিংনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগা উন্নখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরগী মীহুৎ কাংবু অমনা অমিত সাহ উন্নদুনা নাগাগী পিছ প্রোসেস খুমাং য়াংশিন্নবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- জেনিমসতা লায়েংলকখিবা কোনশা খুলগী নুপী ১৪ গী মনুংদা ৭ দিসচার্জ তৌখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------